# ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুরী সিনেমাগী তুংগী মরাইবক - ১

মণিপুরদা মতিক ময়াই চেল্লবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়া অমা নোংম-নোংমগী ময়েং তারক্লে হায়না লাউনরিঙৈদা উবা ফংলক্ত্রে। তশেংবদি ময়েং তারকপা নত্তে, শিরকপনি। শিরিবসিসু মতমগী হোংলক্লিবা ফীভম অমদি হেন্না চাউখৎলকপগী মপুং ফানা য়েংবা হৈতবা ৱাখলগী মীৎয়েং, ৱাখলগী পোইরৈ কয়া অদুনা মশানা মশাবু কাউজরকপগী চাউরবা মরম অমা ওইরিবনি। পাম্মুখ্রবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়া অমা ঙসিদি শিখ্রে। কন্নবা ৱাদি খন্নখিবরা খন্নখিদবরা চপ চানা হায়বা ঙমদে। অদুবু খন্নরসু খন্নদবগুম করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎখিদবনা কনবা ঙমদনা ঙসিগী মীরোল অসিনা ৱারী ওইনতা তাবা নত্তনা ফজরবা মশক অমদি শৈশক কয়া অমদি উবা/তাবা ফংনদ্রে। অদুগুম্লবা লুরবা তানফম অদু হৌজিক মণিপুরী ফিল্মদসু মদুগী মমি চপ চানা তারে।

কুইরে মণিপুরী ফিল্মদসু হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি মমি তারক্লিবা। অদুবু থৱায় য়াওজবা মতমগী নহাশিংনা মওং খরদদি ফিল্মগী কৈরাক অসি ইনখৎনবা কন্না হোৎনরি। হোৎন-হোৎননা ফীভমদি অসুম অসুম শোকচিল্লক্লি। মতাং অসিদা ঐখোয়না খরা মনুং চঙশিন্না য়েংবা য়াবা ৱাফম খরা থোরক্লি। মণিপুরদা ফিল্ম হৌরকপা, ফিল্ম ওইরক্লবা হোৎনরকপা অহল-লমনশিং অদুগী ৱাখল মীৎয়েং অমদি পান্দমগা হৌজিক্কী মতমগী থৱায় য়াওজরিবা নহাশিংগী নুংদা লৈরিবা ৱাখল্লোন অনী অসি তুশিন্ননা য়েংবা য়াই। ফিল্ম পুথোকপা হায়বসি মণিপুর খক্কী ৱা নত্তনা মফম খূদিংমক্তা অচৌবা চেলেঞ্জ অমনি। মরমদি ফিল্ম অমা পুথোকপদা শেল, মতম, ৱাখল, মীৎয়েং য়াম্না চঙই। পুথোকখ্রিবা শেনফম হঞ্জিনবা হঞ্জিন্দবা হায়বা ৱাহংসু থোরক্তবা নত্তে। মদুদা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরিবা পুন্নমকশিংগীসু মখোয়গী অৱামল হায়বা অমসু মথৌ তারিবনি। কনানবু মদু য়াওদনা অদুক য়ামখ্রবা মতম অদু করম্না এক্সপেন্দ তৌগনি? মসিসু ওইরক্লিবা মতমগী ফীভমনা পুরকপনি। মমাঙঙৈদগী শেল ফংবগী অমদি শেল হঞ্জিনবগী ৱাফম অসিমা কয়া য়াওরমদে। মসিগী থবক অসিমদি লাইবক লৈবা অমসুং লৈতবদা খুৎশিন্নবনি। হঞ্জিল্লে ফরে, হঞ্জিন্দ্রে ফরে হায়বা অদোমদা মণিপুরগী আর্টকী ওইবা মফজা, লমদমসিগী চৎনরোল, লমদম অসিগী আইদেন্টিটিগী ৱাহং অমদি খুন্নাই অসিমক্না থেংনরিবা প্রোব্লেম অমদি প্রোস্পেক্ট ময়াম অদুদা মীৎয়েং থম্লগা ফিল্ম পুথোক্লরম্বনি। হৌজিক্তি মদুদগী খরদি থৈদোরক্লে। লৈবাক খুন্নাইগীসু, মণিপুরী ফিল্মগীসু চাউখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা মশাগীসু ফিরেপ অমা তান্নবা হোৎনবরোমদা হেন্না মায় লৈশিন্নরক্লে। মতমদুদনা করিসু লৈরমদনা, লৈনবা হোৎনবা অমদি মশিংখা পুথোক্তুনা অমুরক্তং ওইরবসু লেপ্পা ঙম্নবা হোৎনজবা। হৌজিক্লা খরদি লৈরগা মপুং ফাদবা, লৈঙাক অমদি অতৈ স্পোন্সর তৌবীগদবা কনাসু থোরক্তবা। মরন্নাই তাদুনা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনবা অসিনি। অনীমক পন্থুং মীৎয়েংদি মান্নরবসু কদায়দনো চেকশিন্না য়েংদবা অকুপ্পা মীৎলম খরদি ইহাং হাংবগুম্নদি উরি। মসিমক্না মণিপুরী ফিল্ম শিথরক্লবগী মরম অমত্তা নত্তে। শিথরক্লিবা অসিসু মতমনা পুরকপনি। মতমবু ঐখোয়না করিগী থেংননবা হোৎনদ্রিবনো? মতমনা পুরকপনি হায়দুনা ইরায় লায়না ইস্থোক্তুনা থম্লবদি কদায়দগী ঐখোয়গী পন্থুং য়ৌবা ঙমগনি। পন্থুংদি লায়রদনা লম্মাখাংদা খমখ্রগদরা হায়বগী মীপায়বা পোক্লরি।

ফীভম অসিদা ঐখোয়না তৌবা য়াবগে, অমদি করি খন্ননিংঙাই লৈরিবগে, কনা কনা মসিগী অসুপ্পা থৌদাং লৌগদগে হায়বা ৱাফম অসি ঐখোয় খূদিংমক্কী মাঙদা তাদুনা লৈরবা তঙাইফদ্রবা থেংথহৈদ্রবা থবক অমনি হায়বা অসি পুন্না খনমিন্নবা অমা মথৌ তাই। ফীভম অসি য়ৌনা লুশিল্লক্লবসিদা, নাকল নাকল লেপ্পদুনা লানগী লানবাও লাউনবদৌনা তৌবগী ফীভমদগী হন্দোক্তুনা পুন্না খুৎ থাঙ্গৎমিন্নবা অমা মথৌ তাই। মীয়ামগী ওইবা খোল্লাও, মীয়ামগী ওইবা থৌদাং হায়বা অসি চপ চানা উৎলবদা ঙসি ফাওবগী মনুংদা মায় পাক্তবা অমা ফাওবা লৈখিদ্রি। ঐখোয়না ঐখোয়গী পাঙ্গল শাগৎকে, শীংনরকপা অমবু চপ চানা হনবা লৈতনা মায়োক্লদুনা থেংনগে হায়বা তারবদি ৱাখল্লোন পুনশিন্নবা তাই। খায়দোকপা, শেৎতোকপগী অঙ্ক তোক্লগা তীনশিন্নবা হায়বদু খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরে। মণিপুরী ফিল্মনা থেংনরিবা চৈথেং অমদি চৈনা অসি পুবা থাংবা খরা ৱারগদবা অমা ওইবনা, কনাগুম্বা মীওই অমা অনীনা নৎত্রগা লূপ অমনা লাউ খোংদুনা তৌবদা থোইদোক্লা মায় পাক্কনি থাজদে। মসিদি ঐখোয়না ঐখোয়গী সাইকোলোজিদগী হৌরগা, ঐখোয়গী য়ুনিটি ফাওবা পুন্না য়েংমিন্নগদবনি। মীওইবা অমনা মশাগী চপ চাবা মথৌ মঙম অমা শিন্থারগে হায়রবদি- মঙোন্দা লৈরিবা ইনর্জি পৱার, মহাক্কী তৌবা ঙম্বগী চাংগী মপাঙ্গল অদু কয়া য়াম্না কল্লিবগে, কল্লিবা মায়কৈ অদু করম্বা মায়কৈদনো অদুগা শোন্থরিবা অদুনা করম্বা মায়কৈদা শোন্থরিবনো হায়বা অদু মুন্না খঙদোকপা অমা চঙই। বেলেন্সিং তৌদবা মপাঙ্গল অদুনা অকনবা মায়কৈ অদোমখক্তদা য়েংলগা মরিংজেল ফনা য়াম্না ফুদোক্লবসু মহাক্লা তৌগে খল্লিবা থবক অদুদি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। মহাক্কী শোন্থরিবা মায়কৈ অদু ফুককৎপা অমা মথৌ তারি। মদুদতা বেলেন্সিং ওইবা মহাক্কী ইনর্জি অমা লাক্কনি। মদু ঐখোয়না মুন্না য়েংবা অমা চঙই।

ঙসিদি ঐখোয়গী ফিল্মগীদমক্তা কথোক্লবনি, ফিল্মগী থবক তৌজরিবনি, ঐখোয় খরা অসি নত্তনা লৈত্রবনি। ঐখোয়না ফিল্ম লেপখিবদা মণিপুরদা ফিল্মগী থবক খূদিংমক লেপ্লগনি হায়বা নাকলদগী হায়জিল্লকপা নাপল কাবা অসিমা তোকপীগদবনি। নাকল অমরোমদসু, ঐখোয়না মণিপুরগী মায় পুরক্লিবনি, ঐখোয় খরনা তৌরিবা অসিদি লৈবাক্কীনি, মীয়ামগীনি, ঐখোয়না লমদম অসিগী মিংচৎ ফিল্মদা পুরক্লিবনি হায়বা অসিমসু থাদোক্লগদবনি। ঐখোয় খূদিংমক লানবন শেম্মদুনা লৈবগী মহুৎতা ঐখোয়না ঐখোয়গী য়েক্লবা কনানো হায়বদু মশক মুন্না খঙদোকমিন্নবা মথৌ তাই। য়েক্লবদি মশক খঙদনা লান্মী মশেল অমনা অমবু মুশুক মুশুক তৌনদুনা লৈনরবদি ঐখোয় মশেলমক্তদা য়েক্লবা শেমগৎনবগী ফীভমলোমদা লাকপা য়াই। মদু অফবা মায়কৈ অমা নত্তে। মদুনা কৈদৌনুংদা অফবা মহয় অমা পুরক্কনি থাজদে। পুন্নমক অসি নাপল হায়বা অদুনা মাঙ থাদুনা ওইহল্লকপা ঙাক্তনি। ফিল্মগী ৱাফম নৈনরকপা মতমদা, ঐখোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নবা অমা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী মায়কৈদা ৱাফম থম্নিংবা ওইরবসু, তান্ননিংবা ওইরবসু, তৌহন্নিংবা কোঙ্গাই লৈরবসু অমত্তা ওইবা খোল্লাও, অমত্তা ওইবা পাঙ্গল অদু উৎতুনা পুন্না চঙশিনমিন্নগদবনি। খ্বাইদগী খঙবা হৈবা উৎনদুনা, ঙাং-শক্লদুনা মশা মশানা খঙজদবগী ৱানি, শিংথানদবনা হেন্না শরুক য়ামখৎনরক্তুনা পুনশিন্নবা হায়বা অদুগী ৱাহন্থোক অদু লৈহল্লক্ত্রে। মসিগী ফীভম অসিদা অসুম চত্থখিবা তারবদি লাইবক থীবা ৱারী অমা লৈহৌগদবা, চেদা ইদুনা লৈহৌবা নত্তনা মীসু, পোখোকসু অমত্তা থোরক্লরোই।

*- নানি*

হৌজিক লৈনরিবা ফীভম অসি ঐখোয়না সুম য়েংজবদা, এৱার্দকী ফিল্ম নম্বা, মীয়াম্না য়েংনবা ফিল্ম নম্বা হায়দুনা করেম কথায়নদুনা ঙাংনবা সূটিং মফমদসু অদু মঙাই, চুম্নগী ৱারী ৱাতাই শানবদসু অদু মঙাই, মফৈদা লোইনা চৎনবদৌনা তৌরিবা খুদক্তা মীকুপ অমা থিন্থদনা তোকপীবা চুমগনি খল্লি। এৱার্দ পুরকপা অদুখক্তনা মায় পাকপা ফিল্ম মেকর অমা নত্তে। মদুসু মথৌ তাদবদি নত্তে। অদুগা ফিল্ম হায়রগা মীয়াম্না য়েংনরিবা, মীয়াম্না টিকেৎ কক্তুনা হৌ হৌ তৌদুনা পাম্মী/পামদে, ফজে,ফজদে হায়দুনা জজমেন্ট পীরগা বোক্স ওফিসতা ক্য লেপ্পরিবশিং অসিসু ফিল্মনি। মুভমেন্ট অসি ঐখোয়না তোখায় তোখায়বা মায়কৈদা শাগৎনরবসু মদুগী অপূনবা পন্থুং অমদি মদুগী অরোইবা শরুক অদুদি চপ মান্নগনি। অদু ওইবা তারবদি ঐনা অদুনি মানা অদুনি হায়বা খায়দোক্লদুনা লৈথোকপা চুল্লিবরা? মতাং অসিদা থম্মোয় শেংনা থমজনিংবদি ঐখোয় ইশা ইশাদা নাপলশিং অদু মীঙোন্দা ওইনা তৌবীয়ু, ঐখোয় মশেলগী মরক্তদি নাপল অদু থাদোক্লবীয়ু, মদু তাশিন খোমজিনবীয়ু, মদুনা হেন্না পাঙ্গল কনগনি হায়বসি কাউনদনা পুন্না শিন্থামিন্নরবদি হৌজিকসু ফিল্ম কনবা ঙমখিগনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌবা য়াবা য়াম্না লৈরি। তৌগদবদা তৌদবগী ৱারৌনরিবা পুন্নমকশিং অসি কোকহন্নবা মীৎ-না চেজেৎ উইশিন্দুনা ঐখোয় ঐখোয়গী হায়বা খূদিংমক্তা মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা পুখ্রবা ইনখৎপা, চিংখৎনবা অমা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী ওইবা পোলিসী লৈরে। পোলিসী অদুনা হায়রিবদুনা করিনো? ৱাৎলিবনা করিনো? শুংলৈ লৈতববুদি অমা লৈবনা ফৈ, লৈবু লৈরবদি তপ্পা তপ্পা শেমজিন শাজিনবা য়াই হায়দুনা অমা লৈরে, পেন্দ্রবসু ফরে হায়নরসি। অদু ওইরবদি লৈরিবা খরা অদুসু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা করি লৈবগে হায়বদুদি য়েংশিনবা মতম ওইদ্রিবরা? পুকচেল শেংনা তৌবু তৌরগে হায়রবদি কৈসু লৈবা অমত্তা নত্তে। মীখল অমুক অমুক লাকপা মতমদা লৈঙাক থৌঙাকপীনবা মীহুৎ ওইনবা হোৎনবা মতমদা চঙলিবা শেল, থাদরিবা কোক, শীজিন্নরিবা পাঙ্গল অদু অঙকপনি হায়বসি মীয়াম্না উদুনা লাক্লবনি। মদুগী মতিক মঙম অদু ঐখোয়গী পোলিসী অদু থবক ওইনা ওন্থোকপদা, অমদি তুংলমচৎকী য়েংদুনা করিগুম্বা খরা তৌবীবদা ঙল্লোইদবা লৈতে। শোয়দনা ঙমগনি হায়বা অসি মীয়াম্না খঙই। মরমদি ওইথোক্লোই খনবা থবক্তা ফাওবা সেন্টরদগী নৎত্রগা মরী লৈনবশিংদগী শেল লৌথরগা থবক ওইনা পায়খৎপা ঙম্বগী থৌনাদু ঐখোয়না উই। হৌজিকসু মীয়াম মাঙদা, মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা তক্লরগা ঐখোয় অসিমা তৌরনি হায়বদা তৌবীবা ঙল্লিবা, মদুগী কম্মিটমেন্ট পীবীবা ঙল্লিবা লুচিংবশিংনা তৌবু তৌবীগে হায়রবদি শোয়দনা ঙমগনি হায়বসি ঐখোয়না চেৎনা থাজজে।

*- মখা মথং চয়োলদা*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৬।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
অয়ুক পুং ১০.৫০ ফাওবা ইঙেনগী ১৯ নি পাল্লি, মতুংদি ২০নি পাল্লনি।

**মেষ:** শেল থুমগী লমদা কান্নবা , নীংবা মপা চাবা, মীয়াম পুনবগী নুংঙাইবা ফংবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপা ৱাবনা মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** ইচং থৌবনা হেন্না মীকোক থোংনবগী মরম ওইগনি, অনৌবা ৱাখল্লোন্নসু অফবা থবক পাঙগনি, মীয়ামগা মরীদি হান্নগুম ফগনি, হকচাং নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** য়েক্লববু ঙমজদুনা থৌনা লৈনা লনথুম তানবদা মায় পাক্কনি। অদুবু শিনবা লাংবা/অমদি ঙাঙবা শকপদি হৈবা ৱাৎকনি। য়েৎনবদি য়াওদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- অনম তানগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** ৱাফংনবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা য়াবা লৈ। অকল অথৌগী লমদদি মায় পাক্কনি। অচুম্বনদি মায় পাক্কনি, অঙম অথৌগী থৌজাল ফংগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না অশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা, শেন্দোংসু ফংগদবা অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎপা নুমিৎনি। পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি মীতোপ্পা তাথিবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** লম খুদিংদা মায় পাল্লনি। অশা চাওবগী কান্নবা ফংগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নরগনি, লেংদবা লন লেপশিনবা য়াগনি। থাজদনা নক্লবনা তাথিবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** চরাংনবা অমদি ফিংবা থাদোকউ। লাইগুরুনা চানবীগনি, অরং-অরাক লেপশিনবা য়াগনি অমদি শিল্লাংবা হৈগনি। মীংচৎ তানবা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না অশা চাওখিনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃশ্চিক:** য়েক্লবা হন্থরগনি, থিবা হুম্বগী কান্নবদি শোয়দনা ফংগনি, অফবা মরুপ ফংগনি অমদি নুংঙাইবা পাউসু তাজগনি। অফবা লৌশিং ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লান্দবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** নচা-ননাইগী লমদা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি, অনম তানবনা মীখা পোন্নবগী মরম ওইগনি। মীয়াম্না য়ানবা চৎপা অমদি মরম খংদনা হোয়া ফদ্রবদি শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** নোল্লুকপা, অশাওবা ফাথবা, হোয়া ফদবা অমদি অরুবা থবক পাঙদবনা শাফগদবা নুমিৎনি। লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাবনা মাঙগদবদৈ কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**কুম্ভ:** মীচং ৱাৎলোই, অনৌবা থবক থৌরমদা পুক্লিং চঙবা য়াগনি, মীংচৎ হেনগকনি । পল্লম্বা শেল থুম ফংবা য়াই। য়েৎনবা য়াবা মরমদদি য়াওরুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** লন ফংগনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, থিজিনবা কল্লু-কান্নগনি। মরম খঙদনা খুৎ চাওগনু, নচাক নরল চেকশিন্দবা তৌগনু, চরাংনরদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ব্রাইটৱে কন্সল্টেন্সিগী থৌমীশিংদা লাইগী মচা সর্টিফিকেট খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস): চহী য়াম্লবা মাঙগী লম্বীনা তেনশিল্লক্লবা কনা লৈজদ্রবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা অহলশিংগীদমক লৈকায় লৈকায়দা অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা মীওই কয়াদগী শেল খায়দুনা অমসুং মখোয়গী ঙমজবা মতেংশিং লেপ্পা লৈতনা পাংলিবা অদুবু পেনবীরদুনা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমগী চ্যেরমেন ওইনাম মঙ্গিনা ঙসি ব্রাইটৱে কন্সল্টেন্সি সর্ভিসকী থৌমীশিংদা লাইগী মচা সর্টিফিকেট পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

ব্রাইটৱে কন্সল্টেন্সি সর্ভিসকী থৌমীশিংদা লাইগী মচা সর্টিফিকেট পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী কন্সল্টেন্সি অসিগী মেনেজর য়ুম্নাম রেবিকানা ফোঙদোকখিবদা, অহল ওইরবা মখোয়গীনি হায়বদা কনা লৈজদ্রবশিং অসিনা ওল্ড এজ হোম অসিদা লৈরি অমদি মখোয় লৈরিবা হোম অসি ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী মতেং অমত্তা ফংদ্রি হায়বা পাউ তাবদগী ফার্ম অসিনা হোম অসিদা মতেং অহানবা ওইনা পাংবা লাকখি। অদুবু ইপাগুম্লবা অহলশিংনা ৱানা হিংলম্বদা মখোয়গীদমক করিগুম্বা খরা অঙম্বা তৌদবা য়াদে খল্লকপদগী ব্রাইটৱে কন্সল্টেন্সি সর্ভিসকী থৌমীশিংগা পুন্না অহাংবা মতম কায়থোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা হোম অসিগীদমক্তা শেল খায়দুনা মদুদগী ফংলকপা শেনফমশিং অদু ওল্ড এজ হোম অসিদা শীন্নদুনা লাকখিবনি।

হোম অসিগীদমক করিগুম্বা খরা তৌজবা অসিদা হোম অসিগী চ্যেরমেননা পেনবীরদুনা লাইগী মচা হায়রিবা সর্টিফিকেট অসি পীবীরকপসি য়াম্নমক নুংঙাই। ব্রাইটৱে কন্সল্টেন্সি সর্ভিস হায়রিবা ফার্ম অসি মণিপুরদা থবক তৌবা ফংদ্রবা অমদি শুফম-নোম্ফম খঙদনা লৈরিবা মীওইশিংবু মাগী মাগী চান্নবা শিনফমদা ট্রেনিং পীদুনা মফম চাবা মফমশিংদা থবক পীবা অদুগুম্লবা ফার্ম অমনি। মরম অদুনা কনাগুম্বশিংনা শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরবদি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈরিবা ব্রাইটৱে কন্সল্টেন্সি সর্ভিসকী ওফিসতা লাক্তুনা তান্নবীয়ু। লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্নসু ওল্ড এজ হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।


## লৌমীশিংদা ইলেক্ট্রিক পম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস): হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা অকনবা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ঈশিং-ঈচাউ থোকখ্রবসু ইখঙ খঙহৌদনা নুংশা কা হেন্না শারকপদগী লৌফম কয়াদা ঈশিং কংবগী মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবগী পান্দমদা ঙসি লম্লাই এ সীগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা সেক্তাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লৌমীশিংদা ইলেক্ট্রিক পম্প য়েন্থোকখ্রে।

ইলেক্ট্রিক পম্প য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খূদিংমক ঈশিং-ঈচাউবু ওইরো, ঈকং থোকপগীবু ওইরো অমদি হার ফংদবগীবু ওইরো মতম পুম্নমক্তা লৌমীশিংগী অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনগনি। ৱাখল্লোন অসিগী শরুক অমা ওইনা সেক্তাগী লৌকোলশিংদা ঈশিং লৈতবগী মায়োক্লরে হায়বা পাউ ফংবদগী ইলেক্ট্রিক পম্পশিং অসি য়েন্থোকপনি হায়খি।




Title : BTS Jemin
By : Enunganba Maibam
Class : I Roll : 31
School : Blooming Kids Academy



Title : Lotus
By : Konsam Bincila
Class : II Sec : B Roll No. : 16
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Landscape
By : Lanchenba
Class : V Sec: C Roll :
School : S.T. George



Title : School
By : Maisnam Langonbi Chanu
Class : I Sec: Lotus Roll : 26
School :



Title : Warli Art
By : Mayanglambam Tomthin
Class : IV Sec: B
School : Little Fairy Public School Delhi



Title : Chase
By : Nganthoi Thiyam
Class : II Sec: E Roll : 68
School : Catholic School Canchipur




Title : Birthday Party
By : R.K. Chinglembisana Devi
Class : I Roll : 10
School : Impetus School, Thinungei



Title : Taddy bear
By : Sagarika Rajkumari
Class : K.G. Roll : 21
School : Don Bosco School, Chingmeirong



Title : Landscape
By : Kh. Satyanivas
Class : IV Sec: A Roll : 18
School : Maria Montessori Sr. Sec. School, Koirengei



Title : John Wedp Telescope Launch Dath
By : Stephen Thokchom
Class : II Sec: B
School : Tiny Tot's Unique School



Title : A Rainbow House
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec: Lotus Roll : 22
School : SL. Arena of Learning



Title : Unicorn rainbow
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec : Lotus Roll : 2
School : SL. Arena of Learning



Title : Goku
By : Tennyson Huidrom
Class : II Sec: A Roll : 50
School : Tiny Tot's Unique School



Title : Flower Plant
By : Y. Lanchenbi Devi
Class : V Sec: x Roll : 04
School : Galaxy High School



Title : Doll
By : Olympia
Class: 2 Roll : 09
School : Khuman Maheikol



Title : Giraffe
By : Akoijam Athoibi
Class : II Sec: B Roll : 03
School : Little Flower

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।